ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




এপ্রিল ১৮ অমসুং ১৯, ২০২৫দা শিজ লিভর সিরোসিস এন্দ লিভর কেন্সর ক্লিনিকতা নুমিৎ নীনিগী লিভর স্ক্রিনিং কেম্প অমসুং লিভর ট্রান্সপ্লান্ট পাঙথোক্লবগীদমক খুৎশম্নগদবা হায়দরবাদকী এ আই জিগা খুৎয়েক পীনখিবা


থম্মোয় পাউদম : য়েক্লববু ঈকায় খুম্নবা ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ নিতিসিনোন চারবা মীদা চিক্লুবা কাঙনা অশি...

"কৈদৌঙৈনো তংদু লৈতাবা নুমিৎ" ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ মণিপুরগী ৱাথোক লোইশিন্নবা য়াওনা দিমান্দ কয়া...

ক্রুদ ওইলগী মমল হন্থরবদি পেট্রোল ১দি দিজলগী ...☛ লামায় ৯

লামায় ১০ ☛ বিরমঙ্গোল মেমোরিএল ট্রোফি: পি সী সী ...


মোইরাংগী ইন্দিয়ন নেশনল আর্মি (আই এন এ) কমপ্লেক্সতা মহৌশাগুম্না এপ্রিল ১৪, ২০২৫দা পাঙথোকপা ৮১শুবা ফ্লেগ হোইষ্টিং নুমিৎকী থৌরমদা শরুক য়ারখিবা গভর্ণরদা অয়েকপা লাই খুদোল তমখিবা




Vol. 49, Issue No. 021 | য়ূমশকৈশা, শজিবু ১৮নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, April 16, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


# 'ৱাকফ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট' কী মায়োক্তা সুপ্রিম কোর্টতা মণিপুরদগী কোংগ্রেস য়াওনা পিটিশন খরসু ফাইল তৌখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচএনএস) :**
পার্লিয়ামেন্ট মীফম লোইশিন্দ্রিঙৈ থা অসিগী ৩দা লোক সভানা পাস তৌরবা মতুংদা মথংগী নুমিৎতা রাজ্য সভানসু পাস তৌরগা প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা খুৎয়েক পীদুনা এক্ট ওলহনখ্রবা ৱাকফ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট-২০২৫গী মায়োক্তা লোক সভাগী এম পি অসাদউদ্দিন ওৱাইসি, দেল্লীগী এ এ পিগী এম এল এ অমনাট তুলা খান, এসোসিএশন ফোর প্রোটেক্সন ওফ সিভিল রাইটস, জামিয়াট উলেমা-ঈ-হিন্দগী প্রসিদেন্ট অর্শদ মদানি অমসুং আর জে দিগী এম পি মনোজ কুমার ঝানচিংবা য়াওনা পিটিশন ১০ ফাইল তৌরকখ্রবা মতুংদা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি য়াওনা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মীতৈ পাঙলশিংগী লূপ খরনসু এক্ট অসিগী মায়োক্তা সুপ্রিম কোর্টতা পিটিশনশিং ফাইল তৌখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্না চৎনহন্নবগীদমক এক্ট ওলহনখ্রবা ৱাকফ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট অসিগী মায়োক্তা ইস্লাম লাইনীং চৎপা মুস্লিমশিং য়াওনা মীতৈ পাঙলশিংনা অকনবা



মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লিবসি অদুঙৈ কুমজা ১৯৯৫দা শেমদুনা চৎনরক্লিবা এক্ট অসিগী মনুংদা য়াওরকপা 'ৱাকফ বাই য়ুজর' হায়বা প্রোভিজন লৌথোরকপা অদুগা সেন্ট্রেল ৱাকফ কাউন্সিল অমদি ষ্টেট ৱাকফ বোর্দশিংদা নন-মুস্লিম মেম্বরশিং য়াওহনবগী অয়াবা পীরকখিবা অদুগা ৱাকফকী কাউন্সিল অমসুং বোর্দশিংদা নুপী মেম্বরশিং য়াওহনবগী মশীং অনী খক্তদা লেপ্পকখিবা অদুগা ৱাকফ-অল্লাল-ঔলাদ মূখৎতুনা ৱাকফ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট-১৯৯৫বু 'য়ুনিফাইদ ৱাকফ মেনেজমেন্ট, এম্পৱারমেন্ট, ইফিসিএন্সি এন্দ দিভেলপমেন্ট' হায়বা রোমদা ওন্থোরকখিবনচিংবশিংগী মায়োক্তনি। এক্ট ওল্লবা ৱাকফ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট অসিনা লৈবাক অসিদা চৎনরিবা কন্সটিট্যুশনগী আর্টিকল ১৪না পীবা রাইট টু ইক্বেলিটি, আর্টিকল ২৫না পীবা ফ্রীদম টু প্রেক্টিস রিলিজন, আর্টিকল ২৬না পীবা ফ্রিদম টু মেনেজ রিলিজিয়স এফেয়রস, আর্টিকল ২৯না পীবা মাইনোরিটি রাইটস অমসুং আর্টিকল ৩০০এনা পীবা রাইট টু প্রোপর্টিগী প্রোভিজনশিং লোইনমক খোঙ্গাওনরে হায়দুনা য়াল্লবা পিটিশনশিং ঙসি ফাওবদা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংলবা ৱায়েলশঙ অসিদা ফাইল তৌনরকখিবনি।

করিগুম্বা সুপ্রিম কোর্টনা পিটিশনশিং অসি লৌখৎতুনা মসিগী ৱায়েল চথুরকপদা পিটিস্নরশিংনা ফংনীংলিবা 'রিলিফ' ফংবা ঙমদ্রগদি হৌজিক লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং অমসুং মণিপুরদা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংশিং হেন্না কনশিল্লকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈরিবনি।

# ৱাকফ এক্ট-২০২৫ শীংনরকপা পিটিশনশিং ঙসি চীফ জষ্টিসনা লুচিংবা বেঞ্চনা খন্নরগনি

**ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সী) :**
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংলিবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাদা বিল ওইনা পুথোরকপদগী মথং মথং পাস তৌরগা প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা অয়াবা পীদুনা এক্ট ওল্লবা 'ৱাকফ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট' কী মায়োক্তা লোক সভাগী এম পি য়াওনা এ এ পিগী এম এল এ ১ অমসুং তোঙান তোঙানবা লৈবাক অসিগী ইস্লাম লাইনীং চৎপা মুস্লিমশিংগী লূপশিংনা ফাইল তৌনরকখিবা কেসশিং হয়েং সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা লৌখৎতুনা খন্নরগনি।



চীফ জষ্টিস সঞ্জিব খন্না অমসুং জষ্টিস সঞ্জয়কুমার

পাউ অসিনা হায়বদা, হয়েং পিটিশনশিং অদু সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী চীফ জষ্টিস সঞ্জিব খন্নানা লুচিংবা বেঞ্চনা লৌখৎতুনা পিটিশনশিং অদুনা এক্ট অসিগী মায়োক্তা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফমশিং মথং-মথং তারগনি। বেঞ্চ অসিদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস ওইরম্লদগী কোর্ট অসিগী জষ্টিস ওইখ্রবা জষ্টিস সঞ্জয় কুমারসু য়াওগনি হায়রি।

এক্ট অসিবু প্রসিদেন্টনা অয়াবা পীখ্রবা মতুংদা পন্থদনা মসিগী মায়োক্তা ফাইল তৌনরকখিবা পিটিশন ১০ শুখ্রবসু ঙসি নুংথিলগী সুপ্রিম কোর্টকী মতম ফাওবগী মনুংদা অতোপ্পা পিটিশন খরগসু ফাইল তৌনরকখিবনা পূন্না পিটশন ২০ লোম শুগদৌরে হায়রি।

পিটিশনশিং অসি ফাইল তৌনরকখিবশিংগী মনুংদা পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর, পার্টি খরগী এম এল এশিং, পোলিটিকেল পার্টিশিং অমসুং ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা বিরেনগী 'ওদিও লিক' নি হায়না চার্জ তৌদুনা ফাইল তৌরকখিবা কেসকী হিয়ারিং

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচএনএস) :**
ফেব্রুৱারী ৯, ২০২৫দা রিজাইন তৌখ্রবা চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা বিরেনগী লিক ওইরকপা ওদিওশিংনি হায়বগী চার্জদা চুড়াচান্দপুরগী হিল টাউনগী য়ুরেকা কেফে বিল্ডিংদা হেদ ওফিস ওইবা কুকি ওর্গনাইজেশন ফোর হ্যুমেন রাইটস ট্রষ্ট (কোহুর) না পিটিস্নর ওইদুনা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ফাইল তৌরকখিবা পিটিশন-দল্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৭০২ ওফ ২০২৪গী মখা তাবা ৱায়েল থা অসিগী ১৭তা চথুরগনি হায়রি।

নুমিৎ অসিদা কোর্ট অসিগী কোর্ট নম্বর ১দা চত্থগদবা কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর ১৯দা কেস অসি লিষ্ট তৌরে হায়রি।

পনবা য়াবদি, কেস অসি ফেব্রুৱারী ৩, ২০২৫দা সুপ্রিম কোর্টনা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## পি আর মনুংদা জেলদা থম্বা লালহৌবা শিবগী অহানবা থৌদোক

# ইম্ফাল ইষ্ট সী দি ওনা কে সী পি-নোয়োনগী কাদরশিংনি হায়দুনা ফাবা মীওই ৫গী মনুংদা ১ শিরে

### মীশিসিগী চপ চাবা মরম খঙদ্রিবা ফাওবা খোইস্নাম সনাজাওবগী হকচাং লৌখিরোই : জে এ সী

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচএনএস) :** ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২৫দগী মণিপুরদা চৎনহল্লক্লিবা প্রসিদেন্টস রুল লৈঙাক্কী লুচিংবা গভর্ণরনা থেঙ্খাং অনীরক্তা




লুট তৌখিবা অমসুং অন-লোফুল ওইবা খুৎশু-খুৎলায়শিং পীখৎলক্লবা মতম অনীরক পীবদগী খরা পীখৎনরকখ্রবসু হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা পীখৎলক্তবশিংগী মথক্তা ওপরেশন চথুদুনা লোগী ওইবা অকনবা থবকশিং লৌখৎলগনি হায়খিবগা ইরোয়ননা ষ্টেট অমসুং ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

# চয়োল অমগী মনুংদা অনৌবা লৈঙাক শেমগদবনি : এলাইএন্স

### 'লৈঙাক শেম্বা ঙমদ্রবদি এম এল এশিংগী অপাম্বশিং খুৎয়েক লৌদুনা খঙদোক্লবা কেম্প্যেন চথরগনি, দেল্লীদা চৎখি হায়রকপা য়ারোই'

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচএনএস) :** কুমজা ২০২২গী ফেব্রুৱারী অমসুং মার্চতা তাঙ্কক অনী থোক্না পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ



এসেমব্লিগী মীখলগী রিজল্ট লাউথোরক্লবা মতুংদা বিরেননা লুচিংদুনা লীংলকখিবা লৈঙাক অদু য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা ফেব্রুৱারী ৯, ২০২৫দা রিজাইন তৌহনখ্রবা মতুং থা অদুগী ১৩দগী এসেমব্লিবু সস্পেন্দেদ এনিমেশনদা থম্লগা চলাইরক্লিবা প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাকসি ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## সলাই ৭কী ফিরাল তিন শিংচিল্লগা খোঙপাক্লা নেৎপগী ভিদিও ভাইরেল ওইরকখ্রে

# সলাই ৭কী ফিরাল খোঙ্গোইনখিবশিংগী মথক্তা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্না এক্সন লৌখৎলু : নন্দো লুৱাং

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা লাই হাক্তক্তগী হৌনা চৈরাওবগী থৌরম পাঙথোক্লবা মতুং অহানবা নোংমাইজিংদগী হৌরদুনা থাংজিং চীংথক্তা লৈবা ইবুধৌ থাংজিংগী খুভম অমসুং কৌব্রু চীংশাং পরেংদা লৈবা অহকপা লাইফমশিংদা য়েলহৌমী মীতৈ ফূরুপশিংনা অনৌবা চহী হৌরকপদা নুংঙাই-য়াইফবা পীনবীয়ু হায়দুনা ঈরাৎ-থৌনি থৌরম পাঙথোরকপগুম হন্দক চহীগীসু থৌরমশিং অসি পাঙথোক্কনি হায়না থৌরাং তৌনরকপদগী চুড়াচান্দপুরদা বেজ তৌবা কুকি-জো ফূরুপশিংগী তোঙান তোঙানবা লূপশিংনা থাংজিং চীংদা কারকপা য়ারোই হায়বনচিংবা ৱাফম ফোঙদোরকপদগী কানি-কারোই হায়দুনা ৱাথোক ওইরক্লিঙৈগী চৈরক্তা কুকি-জো ...মখা লমায় ৩ কলম ২




কুকি মিলিটেন্টনি চিংনবশিংনা সলাই তরেৎকী ফিরাল খোঙ্গোইনখিবগী সোশল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইরকখিবা ভিদিও ক্লিপ অমগী শরুক, অমুকোনা কন্দেম তৌখিবা (ইন্সেট)

## ফ্লেগ হোইষ্টিং দেগী ৮১শুবা কুমওন

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচএনএস) :**
চহী খরগী মমাঙদগী পাঙথোরকখিবগুম ঙরাং গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা মোইরাংগী ইন্দিয়ন নেশনল আর্মিগী মার্টরস মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা ৮১শুবা ফ্লেগ হোইষ্টিং নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকপদা শরুক য়ারদুনা নেটাজি সুভাসচন্দ্র বোসকী মীতমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে।

থৌরমগী মনুং চন্না গভর্ণরনা আই এন এগী নীংশিং খুভমশিং অমসুং ম্যুজিয়মসু য়েংখি। থৌরম অদুমক লৈবাক অসিগী নীংতম লান্থেংদা খ্বাইদগী মরু ওইবা নুমিৎ অমনি অমসুং মসিগীদমক ঐখোয় পূম্নমক্না চাওথোকচবা ফাওই হায়না ফোঙদোকখি।

**গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা**

# সোরা ১সুং ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুনদা ৱাকফ (এমেন্দমেন্ট) এক্টকী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচএনএস) :** প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্না ৱাকফ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট শেমদুনা চৎনহন্নবা থৌরাং তৌরকপগী মায়োক্তা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈবা মীতৈ পাঙলশিংনা য়ানীংদবা ফোঙদোকপা খোঙজংশিং চঙশিল্লকখিবগী মখা তারকপদা ওল সোরা ক্লবস কোওর্দিনেটিং কম্মিটি, অঞ্জুমান নাসুল ইস্লাম, জমিয়াদ উলম-ঈ-হিন্দনা শিন্দুনা সোরাদা অপীকপা অঙাংশিং ফাওবনা শরুক য়াদুনা য়ানীংদবা অচৌবা খোঙচৎ অমা চৎখ্রে।

খোঙচৎ অসিগী খোঙজংলোইশিংনা নরেন্দ্র মোদি দাউন দাউন, অমিট শাহ বাই বাই, বি জে পি হায় হায়, প্রোটেক্ট মুস্লিম রাইটস, প্রোটেক্ট ৱাকফ প্রোপর্টিজ, ৱাকফ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট-২০২৫ চৎনবা য়ারোই, এক্ট অসি রিপিল তৌগদবনি হায়বা খোল্লাওশিং লাউখি।

সোরা মমাঙ প্লেগ্রাউন্দগী হৌদুনা সোরা হায় স্কুলগী প্লেগ্রাউন্দ তম্না চৎখিবা খোঙচৎ অসিগী মতাংদা এ এস সী সী ও সীগী প্রসিদেন্ট এম এল জেদ এ সৈখনা ফোঙদোকখিবদা এক্ট অসি অকনবা মওংদা য়ানীংদে। মসিনা মাইনোরিটি মুস্লিমশিংগী মথক্তা অতম্না মীৎয়েং চঙদুনা মুস্লিমশিংগী ইপা ইপুশিংনা কথোক্লম্বা প্রোপর্টিশিং মাঙহন্নবা পায়খৎলকপা খোঙথাংনি হায়রদুনা এক্ট অসি অথুবা মতমদা রিপিল তৌগদবনি হায়খি।

অমরোমদা, ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুনদসু জোইন্ট কোওর্দিনেটিং বোদি ওফ ময়ায় লম্বীনা ৱাবগাই এ সীগী মীহুৎশিংগা খুৎশম্নদুনা শতি খোংনাংদগী হৌরদুনা বেঙ্গুন কৈথেল ফাওবা অচৌবা খোঙচৎ অমা চৎতুনা এক্ট অসিবু য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে।

খোঙচৎলোইশিংনা নরেন্দ্র মোদি অমসুং অমিট শাহগী মায়োক্তা পেন্দবা খোল্লাওশিং লাউখি। লোয়ননা শরুক য়াখিবা মুফটি অজিমউদ্দিননসু এক্ট অসিনা মুস্লিমশিংগী হক অমসুং লন-থুম মাঙহল্লগনি হায়খি।

## এস গৌতমনা দি আই জি-ঐচ ক্যু/এ দি এমগী থবকসু য়েংশিল্লগনি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচএনএস) :**
ঙসি জোইন্ট সেক্রেটরি (দি পি) অমসুং দি জি পিনা থোকখিবা তোঙান তোঙানবা ওর্দর অনীদা আই পি এস ওফিসর ১১ অমসুং এম পি এস ওফিসর ২৩না পুগদবা ফমশিং প্রমোশন পীবা য়াওনা হোংদোক হোংজিন তৌহনখিবদা এম পি টি সীগী দেপ্যুটি দিরেক্টর ওইরবসু দিরেক্টরগী থবক য়েংশিল্লকখিবা এস গৌতম, আই পি এসনা দিরেক্টরগী থবকশিং মখা তানা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা দি আই জি (হেদ ক্বার্টর/এদমিনিষ্ট্রেশন) গী থবকসু অহেনবা ওইনা য়েংশিলহল্লগনি। অদুগা অনুপম আই পি এসনা এস পি (ভিজিলেন্স) ওইরগনি হায়রি।

## ইম্ফালদা নেশনল ফায়র ৱীক হৌদোকখ্রে

# ফায়র ফাইটরশিংগী থবক য়াম্না মরু ওই : ভেটো



**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচএনএস) :** মহৌশা পাঙথোকপগুম হন্দক চহীগীসু নুমিৎ ৭নি চূপ্পা পাঙথোক্কদবা নেশনল ফায়র ৱীককী থৌরম অতোপ্পা মফমশিংদসু পাঙথোক্লুখিবগুম্না ঙরাং ইম্ফালগী পোলোগ্রাউন্দগী মখা থংবদা লৈরিবা মণিপুর ফায়র সর্ভিসকী হেদ ক্বার্টরদা জোইন্ট সেক্রেটরি (হোম) এম ভেটোনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অসিদা মণিপুর ফায়র সর্ভিসকী দিরেক্টর এল নবচন্দ্র, ষ্টেট দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্সকী দিরেক্টর কে গাংমৈ অমসুং ফায়র সর্ভিসকী সিনিয়র ফাইনান্স ওফিসর জেমিকনা মথংশিংনা ময়ায় তাংবল অমসুং অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী মনুং চন্না লৈখিদ্রবা ফায়রমেনশিংগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## এদভোকেট অনীগী মতাংদা বার কাউন্সিল ওফ মণিপুরগী মীফম

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচএনএস) :**
বার কাউন্সিল ওফ মণিপুরগী মখাদা লৈরিবা এদভোকেট অনীনা প্রোফেশনেল মিস কন্দক্ট চথুবগী থৌওংশিং লোকল ন্যুজ চেনেল য়াওনা পর্সনেল ওনলাইন ইন্টরভিয়ুনচিংবদা চথুরে হায়দুনা এদভোকেট অমনা পীরকখিবা পাউদা য়ুম্ফম ওইরদুনা বার কাউন্সিল ওফ মণিপুরগী মীফম অমা ঙসি পাঙথোক্লবা মতুংদা কাউন্সিল অসিগী হৌজিক লৈরিবা দিসিপ্লিনরি কম্মিটি নম্বর ১না এদভোকেট অনীদুগী মথক্তা দিসিপ্লিনরি প্রোসিদিং চথনবা ৱারেপ লৌরে হায়রি।

মীফমদা শরুক য়াখিবশিংনা এদভোকেট অনীনা চথুখিবা থৌওংশিং অদুগী প্রাইমা ফেসি মেটরিএল ইভিদেন্স লৈরে হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোক্লুখি হায়রি।

# কে সী পিগী ৪৫রক শুবা মপোক কুমওনদা কে সী পি-পি দল্লিয়ু জিগী পাউজেল



**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ :** ঙরাং এপ্রিল ১৪ (শজিবুগী ১৬ নি পানবা নিংথৌকাবা) নুমিৎতা পাঙথোকখিবা কে সী পি লিংখৎখিবগী ৪৫রক শুবা নীংশিং কুমওন নুমিৎকা মরী লৈননা কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি-পিপলস ৱার গ্রুপকী পি আর ও চীঙ্খেঙানবনা থোরকপা চেরোল অমদা কংলৈ মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ইন্দিয়া লৈঙাক্কী থৌশিল-থৌদাগী অৱা চৈথেং খাংলিবা কংলৈচা পূম্নমক্কী মফমদা য়াওলগী ইকায়খুম্নবা উৎচবগা লোয়ননা চঙশিল্লিবা য়াওলগী য়াইফ পাউজেলসু পীজরি। ...মখা লমায় ৬ কলম ১

# ইপামগী য়ূম অয়াম্বা কুকি খুলগা য়ূমলোন্নবনিনা মৈ থাদোক্কুনা উৎ ওলহনখ্রে, ঐগী য়ূম ফাওবদি মৈ থাদ্রি হায় অদুবু চঙশিন্দুনা লৈবা য়াবা ফীভমদি ওইদ্রে

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী**
**হকথেংনবা পাউদম**
**কাংচুপ চীংখোঙদগী খুঞ্জা**

(ঙরাংগী মখা...)


লান হৌরকখিবা নুমিৎ মে ৩, ২০২৩গী থংনবা মে ৪, ২০২৩দগী লাঞ্জেল্লক্তুনা ফয়েং হায় স্কুলদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবী মশাগী চহী ৪৫ রোম শুরবী নিংথৌজম তোম্বীনা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, রিলিফ কেম্পতা লৈরকপদগী চরামক্তি হেন্দ্রবসু য়ূম থাদোক্লগা লৈবনিনা অসুক্কী মতিক ৱাই অমসুং নুংঙাইফম খঙদে। কাংচুপ হায়বসিদি য়াম্না চাউবা খুলসু নত্তবনিনা লৈঙাক্না সিক্যুরিটি মতিক চানা পীবিরগা ঙাক শেনবীদুনা ঐখোয়বু য়ূমদা হঞ্জিন্দুনা মহৌশাগুম লৈবা য়ানবা থবক পায়খৎহন্নীংই। ইনক নক্না য়ূমদা চঙবা ফংদবা হায়বসি য়াম্না নুংঙাইতে। চহী অনীরোমসিদা শেলসু অমত্তা থোক্তবনা ইচাশিংগী মহৈ-মশিং তম্নবা হোৎনবদসু অৱাবা কয়া মায়োক্লে।

খুলগী নুপাশিং অমসুং ঐগী ইপুরোইবদি হৌজিকসু খুল ঙাক্লগা অদুমক লৈরি। মরম অসিনা শেল অমত্তা থোক্ত্রবনিনা ইচাশিংগী মহৈ তম্বদসু ঙম্না ঙম্নবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইরে। শেল থোক্লবগীদমক হৈ অচার শেমদুনা শাবগী ত্রেনিংনচিংবা ইনমেটশিংগা লোয়ননা য়াওখিবসু লৈরে। অদুগা বেগ, পোলাংগুম্বসু লোন্দুনা শাবদগী দি সীনা পূন্না লৌখৎপীরগা য়োনখিবসু য়াওই। হায়রিবা পোৎলমশিং অসি নিঙোল চাক্কৌবা মতমদদি খরা শিংলি অদুবু হৌজিক্তি য়াম্না শিংত্রে। য়ূমদা লৈরিঙৈ মতমদদি অঙম অঙম্বা থবক শূদুনা ইচাশিংবু ট্যুশন চৎহনবা ঙম্মী। স্কুলদা নীংথিজনা মহৈ-মশিং তমহনবা ঙম্মী অদুবু হৌজিক্তি ইচাশিং ট্যুশন তৌহনবা ঙমদ্রে।

কাংচুপ চীংখোঙদা লৈহৌরিবা ঐখোয়গী য়ূম অদু মৈ চাক্তে হায়বা খক্তনি। নোংমৈ মরূনা পানবদগী য়ূম অদু শলাক শারে। লৈবা য়াবগী ফীভম ওইদ্রে। নোং চুরক্লগা লোইনা য়ুরে। নোংমৈ মখুল ঙাক্তা ঙাইরে। মরম অসিনা চহী অনী ফাজিল্লক্কদৌরবা লান অসিগী ৱারোইশিন অথুবা মতমদা লৈঙাক্না পুরকপীদুনা হৌজিক রিলিফ কেম্পতগী কৈদৌঙৈ য়ূমদা হঞ্জিনগদগে হায়দুনা খূৎ থেক্কুনা ৱানা লেল্লিবা ইনমেটশিং অসিগী অৱাবা উবীদুনা তংদু লৈতাবা পূন্সি হঞ্জিন্নবা হোৎনবীয়ু হায়রকখি।

হৌজিক প্রসিদেন্টস রুলসু চলাইরক্লবনিনা সেন্ট্রেল অমদি ষ্টেট লৈঙাক অনী পুল্লগা মতিক চাবা সিক্যুরিটি পীদুনা ঙাক শেনবীরবদি কাংচুপ্তা হঞ্জিনবা য়ারগনি খল্লি। মরমদি কাংচুপ চীংখোঙগী খুল অসি য়াম্না চাউবা খুল নত্তে। নোংমৈ কাপশিল্লক্তুনা য়ূম মৈ থাবা হৌরকপদা অফিং অফাই ওইনা থৱায়। ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# কে সী পিগী ৪৫রক শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে



**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ :** কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (কে সী পি) গী সেক্রেটরি ইন চার্জ (ইনফোর্মেশন এন্দ পব্লিসিটি) এস মঙালনা থোরকপা চেরোল অমদা ঙরাং এপ্রিল ১৪দা লালহৌলূপ অসিগী ৪৫রক শুবা মপোক কুমওন থৌরম ১৪১ বট্টালিয়নদা মপূং ওইনা পাঙথোকপগা লোয়ননা সী ঐচ ক্যু, জি ঐচ ক্যু, মোবাইল য়ুনিটশিং অমদি দিষ্ট্রিক্ট কম্মান্দরশিংগী মখাদা তম্পাক্কী মফমশিংদসু পাঙথোকখ্রে হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, ১৪১ বট্টালিয়নদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা কে ৱাই কে এল/এম এফ এলগী চীফ ওফ দি আর্মি ষ্টাফ- কে নিমাইনা অথোইবা মীথুংলেন, কে সী পিগী জেনরেল সেক্রেটরি ...মখা লমায় ৩ কলম ২